# ২৪শুবা সেনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন ওইরক্লবা শান্নরোইশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা মমাং থা তাং ১৮দগী ওক্টোবর ১ ফাওবা ওরিসাদা চখখিবা ২৪শুবা সেনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা ৱিন্নর ওইরক্লবা মণিপুর ফুটবোল টিমগী শান্নরোইশিংগী ওকপগী থৌরম প্রিন্সিতোন ইন্টরনেসনেল স্কুলনা শীন্দুনা ক্ষেত্রি অৱাং লৈকায়দা লৈবা স্কুল অসিগী কপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।



নিংশিংবা য়াই মদুদি মণিপুরনা য়ুম্বু ওইরিবা ওরিসাবু ফাইনেলদা গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন লৌরকখিবনি। মণিবপুরগী ওইনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী টাইটল লৌবা অসিগা থারগা ১৯রক শুবনি।

শরুক য়ারুবা শান্নরোইশিং অদুদি– পাম্বোই, রুস্নি, লিম্বোই, স্বিটি, রঞ্জিবালা, উমাবাটি, রোমি, রাধারানি, প্রমেশ্বরি, অসারানি, রিনারোই, মান্দকিনি, হেমোলাতা, রতনবালা, দাইমে গ্রেস, খাসমিনা, বিদিয়ারানি, মাধবী অমদি এন জি বালা (কেপ্টেন) নি।

ওফিসিয়েলদা– কেএসঐচ ইবোবি সিংহ (মেনেজর), এম রতনকুমার (কোচ), টিঐচ কুঞ্জেং ঙান্বী চনুনা (এসিস্টেন্ট মেনেজর) নি।

শান্নরোই ওকপগী থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী চিয়রমেন, এএমএফএগী মীওইশিং অমদি স্কুলগী মহৈরোই কয়াসু শরুক য়াখি।

# ৪৩শুবা মণিপুর ষ্টেট সেনিয়র অমদি ৩০ শুবা সব–জুনিয়র খো–খো চেম্পিয়ন্সিপ হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ

মণিপুর এমেচরে খো খো এসোসিয়েসনগী মখাদা সালুংফম য়ুঠ স্পোর্টিং এন্দ কলচরেল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা সালুংফম পব্লিক গ্রাউন্দা ৪৩শুবা মণিপুর ষ্টেট সেনিয়র অমদি ৩০ শুবা সব–জুনিয়র খো–খো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপী টিম ১২ য়াওনা পুন্না টিম ৩৬ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হৌদোকপগী মেটচতা এএসকেকেএ অৱাং সেকমাইনা এসঐচজিআইআরসিএস পাঙলতাবীবু ২০–১৯ অমদি অনীশুবা মেটচতা পিঐচদিসি খাঙবোকনা এসৱাইভিএ অথোকপমবু ১১–১০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



# ৪শুবা এসিয়ান পেনকাক সিলাট চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌরকখ্রবা হুইদ্রোম বিসান ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৩০ দগী ৩ ফাওবা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী শ্রীনাগরদা পাঙথোকখিবা ৪শুবা এসিয়ান পেনকাক সিলাট চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌরকখ্রবা হুইদ্রোম বিসান মৈতে ওকপগী থৌরম অমা লমলাই কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম্মিটি না শীন্দুনা লম্লাই কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা কম্মিটিগী ভিপি এন সুন্দর, সেক্রেটরী এস লোলিন্দ্রো, এদভাইজর এ দেবেন অমদি বিসান গী ওঝা এনজি নৱাংনচিংবা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা বিসানদা খুদোল তম্বগা লোয়নন্না লুপা ৫০০০ পীখি। থৌরমদুদা এস লোলিন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা কিক বোক্সিং অমদি অতৈ মশান্না কয়াদা গোল্ড মেডল ২৬ ফঙখ্রবা হুইদ্রোম বিসান লম্লাই কেন্দ্রদা শক খঙদবা লৈরমদবদগী কম্মিটি অসিনা পুক্নিং থৌগৎনবা মহাকপু ওকপনি। লাক্কদৌরিবা দিসেম্বর দা সিঙ্গাপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড পেনকাক সিলাট চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা য়াওনবগীদমক খল্লক্লবসু শেল লৈতবনা মরম ওইরগা বিসানন্না চৎলোইদবগী ফিভমদা লৈরিবসি ময়াম পুন্না মতেং পাংনবা হোৎনরগনি হায়খি।



# অহানবা টি–২০ মেটচ সাউথ আফ্রিকানা জিম্বাৱেবু রন ৩৪ দা থোইখ্রে

ইষ্ট লন্দন, ওক্টোবর ১০ঃ

জিম্বাৱে ক্রিকেট টিমনা সাউথ আফ্রিকাগা শান্নরিবা টি–২০ ক্রিকেট সেরিজকী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা য়ুম্বু ওইখিবা সাউথ আফ্রিকানা জিম্বাৱেবু রন ৩৪ দা থোইখ্রে।



মেটচ অসিগী তোচ সাউথ আফ্রিকানা ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা অপুন্বা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৬০ লৌখি।

সাউথ আফ্রিকাগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম ফজখিদে। শুপ্পগী রন ১১ শুরকপদা বেটচমেন অনী আউত ওইখি। ওপন্নর ক্লুইন্তোন দিকোক অমসুং গিহান ক্লোইতেনা সাউথ আফ্রিকাগী ইন্নিংস অদু হৌদোরকখি। গিহান ক্লোইতেন শুপ্পগী রন ২ লৌরম্লগা আউত ওইখি। অতোপ্পা ওপন্নর ক্লুইন্তোন দিকোকসু বোল ৫ মায়োক্নরম্লগা রন ৫খক লৌরম্লগা আউত ওইখিবদগী সাউথ আফ্রিকাগী ইন্নিংস অদু ফিভম শোক্লকখিবনি।

নৌনা চঙলকখিবা কেপ্টেন ফাফ দু প্লেসিস অমসুং রাসি ভান দর দুসেননা সাউথ আফ্রিকাগী ইন্নিংস অদু শেমগৎলখি। মখোয় অনীনা টিম অদুগী স্কোর অদু ৫২ য়ৌহল্লকখি। কেপ্টেন ফাফ দু প্লেসিস বোল ২০ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৫ য়ৈরম্লগা রন ৩৪ দা আউত ওইখি।

৫শুবা বেটচমেন দেবিদ মিলর অমসুং ফিভম ফজনা লৈবা দুসেনগা য়াম্না ফজবা পার্টনসিপ অমা শেমদুনা সাউথ আফ্রিকাগী স্কোর অদু রন ১০০ লম্থোকহনবা ঙমখি।

নৌনা চঙলকখিবা দেবিদ মিল্লর বোল ৩৪ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১ য়ৈরম্লগা জিম্বাৱেগী বোল্লর কে জরবিসনা আউত তাহনখিবদগী অপুন্বা স্কোর ১৩৯ শুরকপদা ৱিকেট ৪ তুখি।

সাউথ আফ্রিকাগী ইন্নিংস অদুদা মরিশুবা বেটমেন ওইনা থোক্লককখিবা দুসেলনা ইন্নিংস অদুদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা বোল ৪৪ মায়োক্লবদা সিক্স ১ অমসুং ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৫৬ লৌদুনা লৈরিঙৈদা জিম্বাৱেগী বোল্লর খৃস এম পোফুনা আউত তাহনখি।

মখা তানা চঙলকখিবা সাউথ আফ্রিকাগী বেটচমেনশিং রন ১০ য়ৌনা লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৬০ লৌখি।

মায় পাক্নবগী রন ১৬১ লৌবগা তার্গেট লৈখিবা অদু ফঙননবা জিম্বাৱেনা মখোয়গী ইন্নিংস চখরকপদা ১৮শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১২৬ খক লৌবা ঙমখিবদগী অহানবা টি–২০ মেটচ অদু সাউথ আফ্রিকানা জিম্বাৱেবু রন ৩৪ দা মায়থিবা পীখি।

জিম্বাৱেগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম শোকখি। স্কোর বোর্দতা রন ৫০ লাম্থোকপা ঙমদ্রিঙৈদা বেটচমেন মরি আউত ওইখি। ওপন্নর চামু চিভাভা অমসুং হেমিলতন মাসাকাদজা না মথং শিংনা রন ৩ অমসুং ১ লৌরম্লগা আউত ওইখি।

নৌনা থোক্লককখিবা ব্রেন্দন তেলর বোল ২৩ মায়োক্লবদা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ১৯ লৌরমখি। মরিশুবা বেটচমেন তারিসাই মুশাকান্দা অহানবা বোল মায়োক্লবদা রন অমত্তা লৌরমদা আউত ওইখি। ৫শুবা বেটচমেন সিন ৱিল্লিয়মসকী রন ২১, তরুকশুবা বেটচমেন পিটর মুর গী রন ৪৪ অমসুং ৯শুবা বেটচমেন ব্রেন্দোন মাভুটতাগী রন ২৮ অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটচমেন রন ১০ য়ৌনা লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু সাউথ আফ্রিকাগী মখুৎতা রন ৩৪দা মায়থিহৌখি।

সাউথ আফ্রিকাগী বোল্লর ইমরান তাহিরনা ওভর ৪ লংবদা রন ২৩ পীরগা জিম্বাৱেগী বেটচমেন ৫ আউত তাহনবা ঙমখি।

# ৪শুবা টিঐচ মজারুন বিবি মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট মিরপুর এফসি টিমনা এনৱাইসি ফাইতোল টুবু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ

থা অসিগী তাং ৩ দগী হৌদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দা টিম ৪ না শরুক য়াদুনা চখরকখিবা ৪শুবা মজারুন বিবি মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মিরপুর এফসি টিমনা এনৱাইসি ফাইতোল টুবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অসিদা মিরপুর এফসি টিম অমদি এনৱাইসি ফাইতোল টু টিম অনীনা শান্নখিবা মেটচতা মিরপুর এফসিনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা এনৱাইসি ফাইতোল টু না বোল কাওবা হৌখি। টিম অনীমক য়াম্না কন্না ফজনা শান্নখি।

অহানবা হাল্ফ মমাংদা মিরপুর এফসি টিমগী শান্নরোই মুঙা না ২২শুবা মিনটতা গোল ১ চনদুনা একাউন্ট হাংদোকখি। মসিগী মতুংদসু টিম অসিগী শান্নরোই মাইথালুংনা ৩৩শুবা মিনটতা গোল ১ চনদুনা অহানবা হাল্ফ মমাংদা মিরপুর এফসি টিমনা এনৱাইসি ফাইটোল টু টিমদগী গোল ২–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।



অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা টিম অনীমক য়াম্না ফজনা শান্নখি। অদুবু মিরপুর এফসি টিম গী শান্নরোই মুঙা না ৫০ শুবা মিনট, মাইথালুংনা ৬২ শুবা মিনট অমদি সামুয়েলনা ৬৭ শুবা মিনটতা গোল অমগা চনদুনা অরোইবদা মিরপুর এফসি টিমনা এনৱাইসি ফাইতোল টুবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

রেফরিনা মিরপুর এফসি টিমগী শান্নরোই সামুয়েলবু ৩২ শুবা মিনটতা অমদি ইমানুয়েলবু ৩৪ শুবা মিনট অমসুং এনৱাইসি ফাইতোল টুগী শান্নরোই বার্থসিংসনবু ২১ শুবা মিনটতা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসিদা কেঐচ নিলকমল সিংহ, এল অনিলকুমার সিংহ, ও বিসেশ্বর সিংহ অমদি শ্যাম না মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এআর ১, এআর ২ অমদি ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।

# আইটা য়ু–১৮ চেম্পিয়ন্সিপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ

ওল ইন্দিয়ানা টেন্নিস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৮দগী নুপীমচা শান্নরোই ১০ অমসুং নুপামচা ২০ না শরুক য়াদুনা লমফেল পাৎতা লৈবা ওফিসর ক্লবকী টেন্নিস কোর্টতা চখরিবা চহি ১৪ মখাগী নুপীমচা অমদি নুপীমচাগী আইটা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ ঙসি লোইশিনখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা চার্মি নোংমৈকাপ্পমনা তনিসিয়া পত্ররবু ৭–৬ (৭–৪), ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। নুপামচাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদনা অশ্বজিৎ সেঞ্জমনা অন্টরিক্স তানুরিবু ৬–১, ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

নুপীমচাগী দবলস ফাইনেলদনা চার্মি নোংমৈকাপ্পম অমদি তনিসিয়া পত্ররনা অবু য়ুম্নাম অমদি লিন্দাবু ৬–৩, ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

নুপামচাগী দবলসতনা অসাট বোরা অমদি গোহেননা অশ্বজিৎ সেঞ্জম অমদি অন্টরিক্স তানুরিবু ৬–২, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

# এময়ু বোক্সিং মেন্স এন্দ ৱুমেন্সকী ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ

চহি অসিগী দিসেম্বরগী তাং ৩১দগী জিআরএন রাজস্থান বিদিয়াপিথতা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি বোক্সিং (মেন্স এন্দ ৱুমেন্স) টুর্নামেন্ট ২০১৮–১৯ দা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি বোক্সিং (মেন্স এন্দ ৱুমেন্স) টিম শেম্নবা দাইরেক্ট ত্রাইয়েল সেক্সেন থা অসিগী ১৬তা পাঙমথোক্লগনি।

ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিবু শরুক য়ানিংবা মাহৈরোইশিংনা মশা মশাগী কোলেজকী খুৎথাং দা পার্ফোমেন্স সার্টিফিকেট ওফ গেমস, দেট ওফ বার্থ সার্টিফিকেট, ১০ প্লস ২গী মার্কসিট, প্রজেন্ট রিদিং সার্টিফিকেট, মমাং চহিদা পাস তৌখিবা এক্সামগী মার্কসিট, পাস্পোর্ট ফোটোসাইজ অনী গা লোয়নন্না থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস (এময়ু) গী ডাঃ সিঐচ প্রদিপ সিংহদা য়ৌহল্লকদবনি হায়রি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কন্টেক্ট নম্বর ৮০১৪১৫০২৯৫, ৯৬১২৫৪৯১০৮, ৭০০৫৭৯৮৫৯১ দগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# ষ্টেট থাং তা চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট থাং–তা এসোসিয়েসননা হুয়েল লালোং থাং–তা এসোসিয়েসন মণিপুরগী লমজিং মখাদা থা অসিগী ১৩ দগী ১৫ ফাওবা ২৯শুবা ষ্টেট থাং–তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ জিরিবামদা পাঙথোক্লগনি।

জিরিবামগী বিদিয়ানাগরদা লৈবা মল্টিপর্পস স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগীদমক মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা থাং–তা শিন দম শঙ কয়াগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিং জিরিবামগীদমক লাক্লিবা তাং ১২দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা তোঙান তোঙানবা মশান্না মখল মরিদা অথোই অহেন তান্নগনি। মশান্নশিং অদুদি ফুনবা–১ (চৈবী অমদি চুঙ্গোই পায়দুনা ফুনবা), ফুনবা অনীশুবা (চৈবীতমক পায়রগা ফুনবা খোঙনা কাওবা য়াবা), থাং–হায়বা (থাং লৈতেং হায়বা), থাংলোন অমদি কাংলোন খুৎলোন নি হায়না হুইয়েল লালোং থাং–তা এসোসিয়েসন মণিপুরগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী য়ুম্নাম দিজেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# এনজি রোমেসতা ৫শুবা দিগ্রি ব্লেক বেল্টকী গ্রেদিং পীরকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ

গ্লোবেল মার্সিয়েল আর্টস ফেদরেসনগী মখাদা জিআইএমএএফ নোর্থ ইষ্ট ইনিদয়াগী প্রসিদেন্ট এনজি রোমেস এল্লাইজ জিট খুমনচা দা কোম্বেট জু জিটসু মশান্নগী ওন্নরি ৫শুবা দিগ্রি ব্লেক বেল্টকী গ্রেদিং পীরক্লে। জিআইএমএএফ কী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট জিএম ডাঃ বিচম কুমার সিংহ গী সুপরভিজন মখাদা গুৱাহাটিদা পাঙথোকপা এক্সামিনেসন অমদা দিসিপ্লিন, হুমেনিটি, টেক্নিকেল নোলেজ অমসুং এবিলিটি এক্সামিন তৌরবা মতুংদা ৫শুবা দিগ্রি অসি পীরকখিবনি।

অমরোমদা জিআইএমএএফ এনইআই গী জেনরেল সেক্রেটরী ডাঃ ঐচ রোমেন সিংহদসু কুং–ফু মশান্না ওন্নরি ৫শুবা দুয়েন ব্লেক বেল্টকী গ্রেদিং পীরক্লে।

মণিপুরগী ঘারিদগী পি কুমুদিনি দেবী, উৎলৌ দগী এল সিংহজিৎ সিংহ, লংঙাথেলদগী কিষন সিংহ, লালাম্বুংদগী টিঐচ প্রমানন্দ সিংহ অমসুং উরিপোকতগী টিঐচ রোসন সিংহ না জিআইএমএএফ কী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনেল মৌ থাই এন্দ মৌ বোরান রেফরি জর্জ এক্সামিনেসনদা মায় পাক্লক্লে। হিরমসিদা মার্সিয়েল আর্টস কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী মাইকৈদগী নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*